**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মণিপুরদা সেরিকলচরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা কুপা খন্নখ্রে।

২) শকাইরবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-রতন থিয়ামনা লৈখিদবদা মনিপুরনা ঙসি রাজ্যগী ওইনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

৩) ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী আই.দি.পিশিং ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

৪) সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসিসু চরাংনবা থোকপদগী হঞ্জিন হঞ্জিন য়েথোকখি।

অমসুং

৫) দুরান্দ কপকী ১৩৪ শুবা ইদিসনগী ইম্ফাল লেগ খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মণিপুরদা সেরিকলচরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা কুপা খন্নখ্রে।

ইম্ফালগী রাজভবনদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী সেরিকলচর দিরেক্তর রোবার্টসন আশেমনা রাজ্য অসিদা মুগা পুথোকপা, মুগা তিলনা চাবা পান্বীশিং থাবা, মরু মরাং য়েন্থোকপা, য়োনফম অমসুং সরকারগী সেরিকলচর ফার্মদা চত্থরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা নিংথিনা পাউদমখি। রাজ্য অসিদা মুগাগী পোত্থোক পুথোকবগী পান্দমদা মুগা লং নাইনবা এরি স্পন সিল্ক মিল অমা লিংননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু নিংথিনা পাউদমখি। লমদম অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা থবক পীনবা অমসুং মুগাগী পোত্থোক হেন্না পুথোকবগী পান্দমদা মিল অসি চলাইনবা শেম শাবগী থবক নিংথিনা চত্থরি হায়খি। মসিগী মথক্তা মুগাগা মরী লৈননা পায়খৎপা সরকারগী স্কিমশিংগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

দিরেক্তরগী পাউদম নিংথিনা তারবা মতুংদা সেরিকলচর থবক থৌরমশিং খুমাং য়াংনা চংশিন্নবা রাজ্যপালনা দিরেক্তরদা পাউতাক পীখি। রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন হেন্না ফগৎহন্নবা মুগাগী পোত্থোকশিং হেন্না পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈবা অমসুং মসিগা মরী লৈননা পায়খৎপা থবকশিং নিংথিনা শেন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকবা রাজ্যপালনা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

রতন (এল)ঃ শকাইরবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-রতন থিয়ামনা লৈখিদবদা মনিপুরনা ঙসি রাজ্যগী ওইনা অৱাবা ফোংদোক্লি। রাজ্য শিনবা থুংনা জাতিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি অমদি সরকারগী ওইবা হরাউ কুম্মে অমত্তা পাঙথোক্ত্রে।

অকাশবানি ইম্ফালনসু রতন থিয়ামনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরমদা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিসারশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

শকাইরবা থিয়েটর পার্সোনেলিতি রতন থিয়ামা লৈখিদবদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)না থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা এম.পি.সি.সিগী ওফিসতা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবী সিংহ, হান্নগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি গাইখাঙম য়াওনা এম.এল.এশিং অমসুং পি.সি.সি মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

মণিপ্র বিধান সভাগী সদস্য থোকচোম লোকেশ্বর সিংহ, মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী পি.সি.সি মেম্বর ওইনাম রোমেন য়াওনা কংগ্রেসগী কর্ম্মি কয়ানসু লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামগী য়ুমদা চত্তুনা মহাক্কী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

শকাইরবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-রতন থিয়ামনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকপগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লি। মহাকা লৈখিদবদা মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি), সি.পি.আই(এম) মণিপুর ষ্টেট কমিতি, য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম), ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ফিলম ফোরম মণিপুর, খেঞ্জোংলাং, মণিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়ন, বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটর, রুপমহল থিয়েটর, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতি, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি টিচরস এসোসিয়েসন অমসুং রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ১৪ না পুনদুনা শেম্বা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স কংলৈপাকনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা লৈবা দি.এম. কলেজ ওফ কম্মর্সকী একাদমিক সেসনগী বি কোম অমসুং বি.বি.এ ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী মহৈরোইশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু শকাইরবা থিয়েটর পার্সোনেলিতি রতন থিয়ামগী মফমদা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎলবা মতুংদা হৌখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজ, ইংলিস এলুমনাই এসোসিয়েসনগী তেংবাংগা লোয়ননা শিন্দুনা

কম্যুনিকেসন এন্দ ত্রান্সলেসন হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চুপা চখেগদবা লেকচর সেরিজ অমসুং ৱার্কসোপ ঙসিদগী য়ুনিভর্সিতি অসিগী ইংলিস লেকচর হোলদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হান্নগী শিক্ষা অমসুং মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল (আই.কিউ.এ.সি)গী দাইরেক্তর প্রোফেসার রাজমনি শর্ম্মা অমসুং স্কুল ওফ হ্যুমেনিতিজগী দিন প্রোফেসার এন. প্রমোদিনি শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- অসিগুম্বা থৌরম কয়া পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী একদমিক এদমোসফিয়ার য়াওনা হিরম কয়াদা ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

চান্দেল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা জিলা থাক্কী ওইবা ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেন ২০২৫ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা জিলা অদুগী ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং আই.সি.দি.এস প্রোজেক্টকা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। দাইরিয়াগী রোকথাম, সফাই ওর-ও.আর.এস- সে রখে ধ্যান হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী মেদিকেল ওফিসারশিং, এ.এন.এম, আশা অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং লোয়ননা আই.সি.দি.এসগী সুপর ভাইজর, জেদ.ই.ও চান্দেলগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

কৈথেলমানবী (এল)ঃ মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (আই.দি.পি)শিং ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে। মসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা অতৈ ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা আই.দি.পিশিংগী নিউ কৈথেলমানবীদা লৈবা মশাগী য়ুমশিংদা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখি। মফম অদুদা লৈরিবা য়ুমশিংগী

ফিভম, সেক্যুরিতি পীবগী মওং, মখোয়না তংদু লৈতানা লৈবা য়াহন্নবা পায়খৎলিবা থবকশিং নিংথিনা য়েংশিনখি। মখোয়বু ময়ুমদা নিংথিনা লৈহন্নবগী পান্দমদা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অদু অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবশিংদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা পাউতাক পীখি। মখোয়বু মশাগী য়ুমদা তংদু লৈতানা লৈহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা অকনবা থবক পায়খৎলি। মখা তানসু অতৈ মফমশিংদা লৈবা আই.দি.পিশিংগী য়ুমশিং য়েংশিনবগী থবক চথখিগনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু দিপ্যুতি কম্মিসনারনা আপীল তৌরি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইকৈদগী জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা থা অসিগী ১১ দা সরকারগী লম আইন কায়না খোপচিনদুনা লৈরিবশিং তকথোকবা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ঙসি আই.বি. লৈকাইদা লম তকথোকপগী থবক ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসিগী ওইনা জিরিবাম জিলাগী আই.বি. লৈকাইগী লম্বী মনাক্তা আইনগী ৱাংমদা লম খোপচিনদুনা শাজিল্লম্বশিং পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমদি অতৈ মরী লৈনবা বিভাগশিং ষ্টাফশিংগা লোয়ননা তকথোকপগী থবক অদু চথখি। আইনগী ৱাংমদা লম খোপচিনদুনা শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক মখা তানা চথখিগনি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খোংজোম খেব চীংদা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি (ফোক্স)না শিন্দুনা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হানা কামৈ, দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার ডাঃ এল. জেসিলি, ষ্টাফশিং অমসুং ফোক্সকী থৌমীশিংনা উ চারা ৩০০ লোম থাখি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী থৌবাল ক্ষেত্রি শঙলেনদা ইন্তিগ্রেতেদ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন (আই.আর.সি.এস.ও) ৱাংজিংনা শিন্দুনা চাইল্ড রাইটকী মতাংদা নোংমগী ওইবা কন্সলটেসন মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হানা কামৈ, মণিপুর কম্মিসনার ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন কৈশাম দিলিপকুমার, ষ্টেট চাইল্ড প্রোটেক্সন সোসাইতিগী প্রোগ্রাম ওফিসার, চাইল্ড ৱেলফ্যার কমিতিগী চেয়ারপার্সন অমসুং থৌবাল জিলাগী জেদ.ই.ও শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিপ্যুতি কম্মিসনার হানা কামৈনা হায়- নুপী অঙাংশিংগী হক ঙাক্তুনা থমবগীদমক সরকার অমসুং মীয়ামা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমকা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা নুপী অমসুং অঙাংগী হক ঙাকবা অমসুং কনদুনা থমবা থবক পায়খৎমিন্নশি হায়খি।

নোনে (এল)ঃ লেকচররস এসোসিয়েসন মণিপুর ২০১৮ বেটচকী লেকচররশিংনা তোঙান তোঙানবা দাবিশিং তৌরদুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবদগী নোনে জিলাদসু মহৈ মশিং তম্বদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। খোঙজং অসিনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিং মহৈরোই কারক্লবসু ওজাশিংনা মহৈ মশিং তাকপী তম্বীবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমত্তা পাঙথোক্ত্রে।

অমরোমদা, নোনে জিলাদা থোকখিবা চীং নীংখায়বা অমসুং ঈশিং ঈচাউনা জিলা অসিগী মফম কয়াদা থকবা য়াওনা অফবা ঈশিং ফংদবগী সমস্য চাউনা মায়োকরি। থৌদোকশিং অসিনা শোকহল্লবা তাওলিংপুং খুলগী খুঞ্জাশিংদা অসাম রাইফলসনা ৱাটর টেঙ্কর শিজিন্নদুনা থকবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ নুপীশিংবু থবক শুফমদা নমজা নমথেক পীবা থিংনবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরগা খুৎশমরগা শিনবা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং ষ্টেগহোল্ডরশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- কম্মিসন অসিনা নুপীশিংগী হক ঙাক্তুনা থন্বা অমসুং থবক শুফমদা অশোই অঙাম থোক্তনা থবক শুবা ঙমজনবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক অশোই অঙাম থোকহন্দনা লৈহনবা হায়বসি কম্মিসন অসিগী পান্দমনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা ঙসি লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা য়ামা কন্না নোং চুগনি হায়রি। অৱাং নোংপোক লমদম, ভারতকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক অমসুং খা ভারতলোমদসু ঙসি মচি মচিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নিদসু ফিভম থোইনা হোংলোই হায়রি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসিসু চরাংনবা থোকপদগী হঞ্জিন হঞ্জিন য়েথোকখি।

বিরোধি মেম্বরশিংনা বিহারগী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন অমসুং অতৈ ৱাফমশিং খন্ননবা দাবী তৌদুনা স্লোগান লাউদুনা সভা ময়াইদা চংশিল্লকখি। শ্রী বিরলানা বিরোধিদা ৱাহং পাউখুমগী থৌরম চত্থহান্নবা আপীল তৌখি অমসুং মখোয়গী থৌওং অদু সভাগী চৎন-লোনচৎ নত্তে হায়খি। সভাদা অপনবা পীবা অমসুং সভা মনুংদা প্লেকার্দ পায়বগী থৌওং অদুদা মহাকা নুংনাংবা ফোংদোকখি। শ্রী বিরলানা মেম্বরশিংদু মশা মশাগী ফমফমদা হঞ্জিন্নবা অমসুং সভাগী মীফম চত্থবা য়ানবা তকশিনখি। ৱাহং পাউখুমগী মতম লোইরবা তুংদা রুলসকী মতুংইন্না মখোয়না পাম্বা ৱাফমশিং থাংগৎতুনা ৱা ঙাংবা য়াহনগনি হায়খি। অদুমওইনমক, বিরোধি মেম্বরশিংনা মহাক্কী আপীল অদু থৌশাদনা চরাংনদুনা লৈবদগী অধ্যক্ষনা সভাগী মীফম নুংথিল পুং ২ ফাওবা য়েথোকখি।

অদুমওইনমক, চরাংনবা মরক্তুদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা লৈবাক অসিদা সি.এন.জি শিজিন্নবগা মরী লৈনবা ৱাহং

অমগী পাউখুম পীখি। লোক সভাদা ঙসি ব্রাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী পুরিনা হায়- লৈবাক অসিগী অয়াম্বা মফম ক্লিন ইনর্জিনা কোভর তৌবা ঙমগদৌরে। সি.এন.জি অমসুং পি.এন.জি য়াওনা মখল খুদিংমক্কী ইনর্জি হোংদোক হোংজিন তৌদনবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। মহাকা হায়- পি.এন.জি কন্নেক্সন অসি ইং কুমজা ২০১৪ দা লাখ ২৫ ওইরম্বদু হৌজিক কোতি ১ মখায়দা হেনগৎলে। এল.পি.জি সিলিন্দর গ্যাস কন্নেক্সনসু ইং কুমজা ২০১৪ দা কোতি ১৪ লৈরম্বা অদুদগী কোতি ৩৩ দা হেনগৎলে। মন্ত্রিনা হায়- বাইও গ্যাসকী লমদসু লৈবাক অসি শিংথানিঙাই ওইনা খুমাং চাওশিল্লে।

রাজ্য সভাদসু তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা বিরোধি সদস্যশিংনা স্লোগান কয়া লাউদুনা চরাংনবা থোকহনবদগী সভাগী মীফম নুংথিল পুং ২ ফাওবা য়ৈথোকখি। নুংথিল পুং ২ দা মীফম অমুক হৌরকপদসু মখা তানা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল তুরনামেন্ট দুরান্দ কপগী ১৩৪ শুবা ইদিসনগী ইম্ফাল লেগ থা অসিগী ৩০ দগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌনা শেম শাবা লোইরে। ইম্ফালদা শান্নগদবা গ্রুপ-এফকী অহানবা মেটচতা ত্রাউ এফ.সিগা নেরোকা এফ.সিগা শান্নগনি। মথংগী মেটচ ওগষ্ট ১ দা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা রিএল কাশ্মীর এফ.সিগা শান্নগনি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচশিং ওগষ্ট ৪ দা ত্রাউ এফ.সিগা রিএল কাশ্মীরগা, ওগষ্ট ৭ তনা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা নেরোকা এফ.সিগা, ওগষ্ট ১০ দা নেরোকা এফ.সিগা রিএল কাশ্মীরগা অমসুং অরোইবা মেটচ ওগষ্ট ১২ ত্রাউ এফ.সিগা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ

২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল ক্লবনা যুথ সোসিয়েল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ.সি রেংদাইনা সার্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ডাঃ বি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি পঞ্জাবকী অমৃটসরদা লৈবা জি.এন.দি.য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরগী জ্নিয়র বোইজ ফুটবোল টিমনা করনাটকপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী পাঞ্জল অদু মেটচকী ১০ শুবা মিনিত্তা খুৎলৈবম সুলতান্না চনখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচতা থা অসিগী ২৮ দা মণিপুরনা দিল্লিগা লম্বা থেংনগনি।

------